থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

নুপারা? নুপীরা? খঙদবশিংগা লৈমিন্নবা

নুপারা? নুপা নত্তবা। নুপীরা? নুপী নত্তবা, মী মখল অমা লৈ। মখোয়দুবু 'হোমো সেক্সুঅল' হায়না খঙনরম্মী। হৌজিক্তি, মখোয় অসি অনৌবা ৱাহৈ অমা শেমদুনা, নুপাসু নত্তবা, নুপীসু নত্তবা 'থার্দ জেন্দর' অমনি হায়না পোলিটিকেল্লি/সোসল্লি শক খঙবীদুনা 'ত্রান্স-জেন্দর' হায়না খঙনরে। হোমো-সেক্সুঅল অমনি হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরবা নৎত্রগা খঙনরবা মীশক অমবু মতম অমদা মীয়াম্না খুন্নাইদা হন্থনা য়েংবীরম্বা অমদি মীয়ামগী মীচৈফম ওইরম্বদু, ঙসি, ত্রান্স-জেন্দর হায়বা ৱাহৈসি পুথোক্লকপদগী মীয়ামগী ৱাখলদা ফন-ফজনা অহোংবা লাক্লরবরা খল্লি। ঙসিদি, নুপা ওইনা পোক্লগা ত্রান্স-জেন্দর ওইখিবা (গে হায়না খঙনবা) অমদি নুপী ওইনা পোক্লগা ত্রান্সজেন্দর (লেসবিয়ন) মখোয়-মশেন-মরক্তা লুহোংদুনা পূন্না লৈমিন্নবগী অয়াবা পীবা লো ফাওবা শেম্নরক্লে। ইন্দিয়াদসু ২০১৭তা সেম-সেক্স-মেরি'জ আইন'না অয়াবা পীনবা 'য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ' অমা দ্রাফ্ট-তৌদুনা পুথোকখি, অয়াবদি পীদরি।

ঙসি ঐনা, থম্মোয় পাউদম ওইনা 'গে' অমদি 'লেসবিয়ন' শিংগী ৱাফমবু পাউদম অমা ওইনা ইনীংলুরিবসি, কনাগুম্বা খরদদি থাজদবা অঙকপা অমা ওইনা থোক্লম্বসু য়াই। ঙকপীরুনু। ইস্যু অসি ইনিদয়াদদি ঙসি ঙরাংতদা থোক্লকপা নত্তে, মহাভারত ইখিবা মতমদগী লৈরক্লবা, মহাকাব্য অদুদসু অচৌবা ক্যারেক্টর অমা ওইরিবা, ঙসিগী সমাজসিদসু মীরায়বা য়াদ্রবা কাঙলূপ অমা ওইরিবনি। অদুগা, ইরমদম মণিপুর অসিগী পুৱারী অমদি লোয়ন-শিলোন (খোরীলোন) দা অদুক হাক্লা মরু ওইবা মফম অমা কল্লম্বা থেংনদ্রবসু, কুনশুবা চহীচা অমদি কুন্মাথোইশুবা চহীচাদদি মখোয়গী মফম, মশক থোক্লা চোংথোরকপা থেংনরক্লে। থিজিন-হুমজিন তৌদুনা ইথোকপা ৱারেং নত্তবা, পারুবা-খঙলুবা-তারুবদগী তূংশিনখিবা মেমোরি অদুগা, ইমিৎসিনা উরকপা খরদুগা, ইনীংবই ইথিল অমা ফাওরক্তুনা কলম পায়খৎলুবনি। 'মহেশ দত্তানি'না ইবা দ্রামা 'সেবেন ষ্টেপস এরাউন্দ ফায়র' হায়বদু মীতৈলোন'দা 'অগ্নিকুন্দগী অকোয়বদা তরেৎলক' হায়না হন্দোক্লুবদা, ইন্দিয়াগী হিজরা-কম্যুনিতি'দা চহী কয়া থিজিল্লুবগী এক্সপরিয়েন্স'কা মান্নবা ফীলিং অমা ফাওরকখি। নুপী মরায় অমা হেল্লবা নুপামচা (গে) অমগা, পাখঙ অমগা লুহোংবা নুমিত্তা, লুহোংবগী ফিজোল থোংদ্রিবী কন্যা অদু কেরোসিন হৈজিন্দুনা, মৈ থারগা হাৎখিবা মীহাৎ অদুগী মরমদা সোসল-সাইন্টিষ্ট নুপী অমনা থিজিন-হুমজিন তৌদুনা মীহাৎপদু পুথোক্লবা হোৎনরকপগী ৱারীনি। থিজিন-খোঙচৎ অদুদা হিজরাশিংগী তাইবঙদা অসুম অসুম চঙশিল্লুবা, হন্দোকপা ৱাবা, তমথীরবা তাইবঙ অমা ওইরম্বগী ৱারীদু দ্রামা পর্ফোর্মেন্স ওন্থোক্লুবা প্লান তৌরুবা ... ত্রান্স জেন্দর নুপা খরা এক্টর ওইনা শেমগৎকে খল্লুবা, ওন্থোকপা এটেম্প অমা তৌরুবা, মায়থীরবা এক্সপরিয়েন্স অদুনা ৱারেং অসি ইনীংবগী ইথিল পীরকখিবনি। ঐনা ইকায়খুম্নজবা, সিনিয়র ওইরবা থিয়েটর-গুরু (দাইরেক্টর) অমনা হায়রকখি ... 'অমা লোয়নবফাও ৱারবদু, নঙনা কাঙলূপ অমা লোয়নগে (লোইগে) খল্লুবা ৱাখল অদু থাদোকউ ... লীলাতা নত্তে, নঙগী ইমুং অদুসু শর্বনাস শাগনি'...।

অসিতা নত্তে, মখোয়গা নক্না লোয়নরুবা মরুপ-মপাং কয়াদগীসু রিপোর্ট লৌখি। দত্তানি'গী লাইরিক্তা য়াওরিবা রিছর্স ফাইন্দিং' ময়ামদুগা ঐখোয়গীসিদা লৈরিবা গে-ৱর্ল্ড' অসিগা অঙকপা ফংনা খেন্নরম্মী।

হৌদোকচরুরিবা ৱাফমসি থিজিন-হুমজিন তৌদুনা, স্কোলারলিষ্টদি অমা তৌবা য়াবা অচৌবা হীরম অমনি। ৱা'সি কোইথোকচররোই। মণিপুরগী কন্টেক্সতদি, গে নৎত্রগা লেসবিয়নিজম হায়বা য়ুনিভর্সেল কন্সেপ্ট অদু পানশিন্দুনা নৈননীংদে। নুপী-শাবী' হায়বা ৱাহৈ অসিদি মণিপুরগী পার্ফোর্মিং আর্ট মখল অমা ওইরিবা 'শুমাং লীলা' হায়না খঙনরিবা আর্ট ফোর্ম অসিগা মরী লৈনৈ। নুপা ওইরগসু নুপী মানবা, নুপীগী বিহেভিয়রলোমদা হেন্না নকশিনবা মী মখল অদুবু ঐখোয়না 'নুপী মানবী' হায়নরম্মী। অসুম্না নুপী ওইরগসু নুপাগী লীচৎ চৎপী, ফিজেৎ-চাকচা নুপাগী মতৌ তমজবী নুপীসু থোক্লকই। মখোয়দুবু 'নুপা শাবা' হায়না খঙনরকখি খুন্নাইসিদা। ইন্দিয়ন কন্টেক্স'তা হিজরা (কিন্নর), ৱেষ্টর্নদনা 'হোমো সেক্সুঅল) হায়বসিগা, মণিপুরগী 'নুপী-মানবী (শাবী)' হায়বসিগা, অনীসি মীওই কাঙলূপ অমত্তা ওইনা লৌদুনা নৈনবা লানগনি। হিজরা নৎত্রগা কিন্নর'শিংদি মখোয়তগী ওইবা তোখায়বা লৈকায় (কম্যুন/কম্যুনিতি) লিংদুনা লৈ, মীয়াম মরক্তা লৈতে। ঐখোয়গী নুপী-মানবী (শাবী) শিংদি ঐখোয়গী ইরক্তা লেঙদনা লৈ, ময়ূম পাল্লি, মচা-মশু লৈ। মশানা মশাবু থার্দ জেন্দর (ত্রান্স-জেন্দর) নি হায়না শক্তাকচবা পামজবা নুপামচাশিং অসি মখল কয়াগী মেদিকেল টেষ্ট তৌদুনা করম করম্বা বাইওলোজিকল দিসওর্দর লৈবগে চাংয়েংলদি খঙগনি - মখোয় 'হর্মাফ্রোদাইট স্পেসি' অমদি ওইরম্লোই। ওইরম্বা য়াই, ফিমেল 'হোর্মোন'না দোমিনেন্ট ওইবা বোদি অমা। অদুবু জিনেটিক সাইন্স'কী মতুংইন্নদি - নুপা অমদি নুপীগী সেক্স-ইনর্জি অসিদা হেন্না মপাঙ্গল কনবদি নুপীগী'সিনি। 'এক্স ক্রোমোজোম' হায়বসিনা নুপীগী শক লেপ্পফমনি। 'ৱাই ক্রোমোজোম' হায়বসিনা নুপাগী। নুপী ইনর্জি (এগ) অসিদা 'এক্স ক্রোমোজোম' অনী য়াওই, নুপাগী 'স্পর্ম' অমদনা 'এক্স/ৱাই ক্রোমোজোম' অমমম। অহুমগা অমগা থেঙ্গাইনবদা অহুম্না ঙম্বা হৌনশানি। ইনর্জি অনীসিনা অমত্তা ওইখ্রবা কান, 'এক্স' অনী লৈহৌরবা, ওইরক্কদৌরিবা অঙাংদু নুপী ওইরে, 'এক্স অমগা ৱাই অমগা' লৈহৌরবা কান্দনা অঙাংদু নুপা ওইরকই। হায়বদি, নুপা ওইরক্লবা 'জাইগোট' (মী অমা ওইরকপগী, মমাগী পিবুক্নুংদা শেম্লকখিবা অহানবা য়ুনাইটেদ সেল) অদুদা য়াওরিবদু এক্স-ৱাই ক্রোমোজোমনি। অতোপ্পা ৱাহৈদা নুপী মচেৎ অমনি। গে অমা, নৎত্রগা লেসবিয়ন অমা হায়বসি করম্না ওইরকখিবনো হায়বগী বাইওলোজিকেল এক্সপ্লেনেসন, ঙসি ফাওবা পীবা ঙমদ্রি সাইন্সনা। হোর্মোনে দিসফঙ্কসন অমদি লৈমিন-চামিন্নরুবা-লোয়ন'-তিন্নরুবা ময়ামদুগী ইনফ্লুয়েন্সনসু কনাগুম্বা অমগী লমচৎ/হৈনবী হোংহনবা য়াই- নুপানা নুপী মাল্লকপা/নুপীনা নুপা মাল্লকপা।

সেক্সুঅলিতিগী ৱাংমদা কনাগুম্বা নুপা অমনা অতোপ্পা নুপা অমগা পূন্না লৈমিন্নবদা, নৎত্রগা নুপী অমনা অতোপ্পা নুপী অমগা লৈমিন্নবদা ইমোসনেল্লি নুংঙাইগনি খল্লবা, লৈমিন্নজসনু নুংঙাইনা, 'দুদা করি কায়বগে?

লৌশিং পুক্কে

ওভর-দ-কাউন্টর এন্টি-ইনফ্লেমেটরি হীদাকশিং শীজিন্নবা-২

এন এস এ আই দি হীদাকশিং শীজিন্নবনা হার্ট এটেক, হার্ট ফেলিয়র, ষ্ট্রোক, ব্লদ ক্লোট অসিনচিংবশিংগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। হীদাকশিং অসি তোয়না অমদি চাং য়াম্না চারিমখৈ হায়রিবা খুদোংচাদবশিং অসি ওইহল্লকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

এন এস এ আই দি হীদাক চাবদগী হার্টকা মরী লৈনবা খুদোংচাদবশিংগী রিস্ক ৱাংবা অসি কার্দিওভাস্কুলরগী ওইবা অনাবা লৈবা মীওইশিংদনা হেল্লি।

মখাদা পীরিবা খুদোংচাদবশিং অসি ইশাদা থেংনরবদি খুদক্তা এন এস এ আই দি হীদাক চাবা তোক্কদবনি অমদি দোক্টর তান্নগদবনি। খুদোংচাদবশিং অদুদি: নাকোংদা মখোল তাবা; মীৎনা শেংনা উবা ঙমদবা; ফুরি অমসুং হাক্কচবা; খোঙ পোমখৎপা; খোঙ হামথবা অমদি মপান থোকপদা ঈ য়াওবা; ওবা অমদি অওবদা ঈ য়াওবা; চাকখাউদা কা হেন্না নাবা; থবাক নাবা; মিহুল কন্না চোংবা; জোন্দিস অসিনচিংবশিংনি।

এন এস এ আই দিশিং অসি অতোপ্পা হীদাক-লাংথকশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনৈ। হীদাক-লাংথক খরদি এন এস এ আই দিগা ইন্টরেক্ট তৌনবদা হীদাক অদুগী কান্নবগী চাং অদু ময়েং তাথরকই। অসিগুম্বা হীদাকশিংগী খুদম অনীদং পনবা তারবদি ব্লদ প্রেসরগী হীদাক-লাংথকশিং অমদি লো-দোজ এস্পিরিন (ঈ ফমজিনহন্দনবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবদা) হায়রিবা অনী অসিনি।

এন এস এ আই দিগা চামিন্নবদা কা হেন্না শাথিবা খুদোংথীবা থোকহনবা য়াবা দ্রগ কয়াসু লৈ। অসিগুম্বা দ্রগ খরা মখাদা পীরি:

ৱার্ফারিন: ৱার্ফারিন হায়রিবা দ্রগ অসি ব্লদ ক্লোট্টিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক শীজিন্নবা হীদাক মখল অমনি। হায়রিবা হীদাক্কী ইফেক্ট অসি এন এস এ আই দিনা কনখৎহনবা ঙম্মী। হীদাক অনী অসি পারগা চারবদি ঈ কা হেন্না থোকপগী খুদোংথীবা থোকহনবা য়াই।

সাইক্লোস্পোরিন: সাইক্লোস্পোরিন হায়বসি আর্থ্রাইটিস নৎত্রগা অলসরেটিব কোলাইটিস লায়েংবদা শীজিন্নবা হীদাক অমনি। ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট তৌখ্রবা মীওইশিংদসু হীদাক অসী থাই। হীদাক অসি এন এস এ আই দিগা লোয়ননা চারবদি কিদনিদা অমাঙ অতা থোকহল্লি।

লিথিয়ম: লিথিয়ম হায়রিবা মুদ ষ্টেবিলাইজ তৌনবা দ্রগ অসিগা এন এস এ আই দিগা চামিন্নরবদি হকচাংদা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা লিথিয়ম য়াওরকই।

লো-দোজ এস্পিরিন: লো-দোজ এস্পিরিনগা এন এস এ আই দিগা চামিন্নরবদি চাকখাউগী অলসর দিভেলপ তৌরকপগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

চহী অনীগী মখাদা লৈবা অঙাংশিংদা এন এস এ আই দি হীদাকশিং থাদ্রিবঁ মমাঙদা দোক্টরগী পাউতাক শুকশোয় শোয়দনা লৌগদবনি। অঙাংদা হীদাক পীজবগী দোজ অসি অঙাং অদুগী অরূম্বগী মতুং ইন্না লেপ্পী।

মশাগী চহী ১৭ শুদ্রিবা অঙাংশিংদা চিক্কনপোক্স নৎত্রগা ফ্লু নারম্বা য়াই হায়না খল্লগদি এস্পিরিন য়াওবা হীদাক পীজরোইদবনি। অঙাংদা এস্পিরিন থাবনা অঙাং অদুদা রেয়ে'স সিন্দ্রোম হায়না খঙনবা লিভর অমসুং ব্রেনদা পোমহনবা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফিভম অসি থোকহনবা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

ওভর-দ-কাউন্টর নোনস্টেরোইদল এন্টিইনফ্লেমেটরি ড্রগ (ও টি সী এন এস এ আই দি) শীজিন্নবগী কাঙলোনশিং

ওভর-দ-কাউন্টর ট্রিটমেন্ট তৌবদা খ্বাইদগী হেন্না কান্নবা ফংনবগীদমক মখাগী কাঙলোনশিং অসি ইনগদবনি:

ঐখোয়দা মথৌ তাবা হীদাক মশক খঙদোকপা: এসিটামিনোফেনগুম্বা ও টি সি হীদাক খরদি হকচাং চীকপা-নাববা ফহনবদা য়াম্না কান্নৈ অদুবু ইনফ্লেমেসন ফহনবদি ঙমদে। আর্থ্রাইটিস অমসুং অতোপ্পা ইনফ্লেমেটরি কন্দিসনশিংগীদমক্তদি এন এস এ আই দি হীদাকশিংনা খ্বাইদগী হেন্না ফবা হীদাক ওইবা য়াই।

হীদাক্কী বোটল নৎত্রগা মকুদা ঈরিবা অদু পাবা: ও টি সি প্রদক্ট খরদি এসিটামিনোফেন অমসুং এন্টি-ইনফ্লেমেটরি মেদিসনগা পূনবা য়াওই। কোল্ড অমদি ফ্লুগী হীদাক-লাংথক খরদা এন এস এ আই দি য়াওবা লৈ। মরম অদুনা ও টি সি হীদাকশিং শীজিন্নদ্রিঙৈ মমাঙদা হীদাক অদুদা য়াওরিবা মচলশিং অদু শোয়দনা পাগদবনি। মদুনা হীদাক্কী মচল পুল্লমক খঙবা ঙমগনি। চপ মান্নবা মচল য়াওবা হীদাক খরা পূন্না চাবদগী মচল অদু কা হেন্না চাশিন্নবগী মচাক অমা ওইহল্লি, মসিনা সাইদ ইফেক্ট থোকহনবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

নীংথিনা থম্বা: ও টি সী হীদাকশিং অসি অশাবা, চোৎ-চোৎ লাউবা মফম খুদম ওইনা বাথরুমগী হীদাক থম্ফমগুম্বদা থম্লবদি এক্সপায়রি মতম য়ৌদ্রিঙৈদা ময়াই চমথরকই। হীদাকশিং অসি কুইনা চৎহনগে হায়রবদি অইংবা, অকংবা মফমদা থমগদবনি।

দোজ চুম্না শীজিন্নবা: ও টি সী এন এস এ আই দি হীদাকশিং অসি চারমদাইদা চাগদবা চাং অমদি মওং মতৌ নীংথিনা পাগদবনি। চাফম থোকপা চাং অদু চুম্না চাগদবনি।

এন এস এ আই দি হীদাকশিং অসি করম্বা মতমদা শীজিন্নরোইদগে: এন এস এ আই দি শীজিন্নবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্তদি অফবা ওইবা নত্তে। শীজিন্নদ্রিঙৈ মমাঙদা মখাগী ফিভমশিং অসি ইশাদা লৈবরা নৎত্রগা হান্না লৈখিবরা হায়বদু হেল্থকেয়র প্রোভাইদরদা য়েংহনগদবনি। ফিভমশিং অদুদি:

এস্পিরিন নৎত্রগা অতোপ্পা চীকপা-নাবা ফহন্নবা হীদাকশিংদা এল্লর্জি তৌবা; ঈগা মরী লৈনবা লায়না; চাকখাউবা ঈ থোকপা, পেপ্টিক অলসর, নৎত্রগা ইন্টেষ্টাইনগী প্রোব্লেমশিং; ব্লদ প্রেসর ৱাংবা নৎত্রগা হার্টকী লায়না; লিভর নৎত্রগা কিদনিগী লায়না; মেনেজ তৌবা ৱাবগী ফিভম লৈবা দাইবেটিস; মমাঙদা ষ্ট্রোক নৎত্রগা হার্ট এটেক তৌখিবা অসিনচিংবশিংনি।

মশাগী চহী ৬৫গী মথক্তা লৈবা অহলশিং অমদি মীরোনবী নুপীশিংনা এন এস এ আই দি হীদাকশিং শীজিন্নদ্রিঙৈদা হেল্থকেয়র প্রোভাইদরগা তান্নগদবনি। রিসার্ছ খরদা থেংনখিবা লৈ মদুদি, মীরোনবা ওল্লিঙৈ মতমদা এন এস এ আই দি হীদাক শীজিন্নবনা অঙাং কায়বগী রিস্ক হেনগৎহল্লি, অদুবু অহেনবা ষ্টদিশিংদি মথৌ তারি।

মীরোনবগী অরোইবা থা অহুমগী মতমদা এন এস এ আই দি শীজিন্নরোইদবনি। মসিনা মমাদগী ঈ পুরক্লিবা অঙাং অদুগী হার্টকী ঈ উতোং অমবু মতম শুদ্রিঙৈদা ফুনজিনহল্লি।

মরম অদুনা ওভর-দ-কাউন্টর হীদাকশিং অসি দোক্টরগী প্রিস্ক্রিপ্সন য়াওদনা ফার্মাসিদগী লৈবা য়াবা ওইরগসু চাদ্রিঙৈদা হেল্থকেয়র প্রোভাইদরশিংগা তান্নগদবনি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

ইরেংবম ইন্দ্রজিৎ, চনম শন্দ্রোক অৱাং লৈকায়

কোভিদ-১৯ লায়চৎ লাকশিন্নগী পান্দমদা লমদম অসিদসু মতম শাংনা লোকদাউন চৎথরকখিবদগী লৈবাক মীয়াম্না খম থেংনা ৱারবা মতম অসিদা লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা ফম ফংহৌনবগীদমক অমদগী অমদা চোঙথোক-চোংশিন তৌরিবা অসি তৌহনজনিংদে। হৌজিক মীচম মীয়ামগী চান-থক্লুবা পোৎলমশিং লৈশিল্লক্তবগী মথক্তা লৌ উবগী মতম য়ৌশিল্লকপনা কদাইদগী শেল পুথোক্লগা লৌ উগদৌরিবনো হায়না ৱানরিবনি। মীয়ামগী অৱাবশিং কোহন্নবা অমদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লুচিংবশিংনা কোক চুংশিন্নদুনা হোৎনমিন্নবগী মহুৎতা খাইবুং-খাইবুং তানবগী ফীভম অমদা লাকপা উবদা অসুক্কী মতিক পেঞ্জদে। লৈঙাক্না লমদম অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন লৈত্রি হায়রবসু হেল্থ ৱাকর্সশিংদা লায়না অসি শন্দোরকপা মরমনা লমদম অসিদসু কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন হৌরক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনসু লৈঙাক্না শেল্লিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্না চৎহন্নিংই। লমদম অসিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলুরগদি লৈঙাক্না অচেৎপা খোংথাং অমা লৌখৎপা মতম ওইরে।

থিয়াম তোম্বা, থিয়াম কোঞ্জিল

মীচম অমা ওইনা লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মরক্তা চৎথরিবা মওং-মতৌশিং অসি য়াম্না পেন্দে। অমরোমদা মতম শাংনা লোকদাউন তৌখিবদগী লৈত লায়রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং থবক শুফম নোমফম খঙদনা লৈরে। নোংম-নোংমগী ৱাবগী চাংসু হেনগৎলক্লে। লৈঙাকপা অমা চৎখ্রে, লৈঙাকপা অমা অমুক লাক্লে। অমনা ফগদ্রা খল্লগা হেন্দুম অৱাবা ওইরবরা হায়নসু খনদবা নত্তে। অহল ওইশিল্লক্তুনা থবক শুবা ঙমদনা য়ূমদা লৈরবসু য়ূমগী ইচাশিং-ইমৌশিং অমদি অঙাংশিংনা থবক শুফম নোমফম খঙদনা ককঙাওননা লৈবা উবদা য়াম্না নুংঙাইতে। তশেংনা মীচম মীয়াম খম থেংনা ৱারে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদগী কোক্লবা লৈঙাক্না থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎতুনা মতেং পাংবিরবদি অপেনবা হায়বদু ওইগনি। লায়না অসিনা নাদুনা শিবা অমা নৎত্রগা চাদ-থক্তদনা শিবা অমদি শোয়দনা থোক্লগনি। মীচম মীয়াম্না লৈঙাকপশিংদা খ্বাইদগী ৱারৌজরিবদি লৈবাক মীয়াম্না অসুক ৱানা লৈরবা মতম অসিদা ফম মুন্নবগী মওংদা চৎথরক্লিবা থৌওং অসিনি। মীয়ামগী অৱাবা খঙবিদুনা মতেং পাংনবা শীনবিয়ু।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

আর্সেনিক এলবম ৩০ লেম্না ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : রিজনল ইনষ্টিট্যুট ফোর হোমিওপেথিগী মকোক থোংবা ডোক্তর, ওফিসল অমদি সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব লাইফম খুনৌ মখা লৈকায়না খুৎশম্নদুনা আর্সেনিক এলবম ৩০ হায়বা হিদাক লেম্না ফংহনখ্রে হায়না ক্লব অসিগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৯ অমদি ঙসি লাইফম খুনৌ মখা লৈকায়গী তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা পাঙথোকখিবা হিদাক য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা লাইফম খুনৌ অমদি লাইরিকয়েংবম লৈকায়দগী মীওই ৮৭০ রোম থোরক্তুনা শরুক য়াখি।

আর্সেনিক এলবম ৩০ হায়রিবা হিদাক অসি অহল অমদি অঙাং অনীমক পুন্না চাবা য়াগনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লোইদ্রিবা ফাওবা হিদাক অসি থা ১ কান্নরগা হান্নগী মওংদা চাবীয়ু হায়না হোমিওপেথিগী ডোক্তরশিংনা হিদাক লৌবা লাকপা মীওইশিংদা এদভাইস তৌখি। কনাগুম্বা মীওইশিংনা হিদাক অসি লৌনিংবা লৈরবদি আর আর আইগী ওফিসতা পাউ ফাওনবা য়াগনি হায়নসু মখা তারি।

প্রাইভেট স্কুলশিং লৈঙাক্কী মথক্তা লৈব্রা : এমসু

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক্না তাঙ্কক অনীরক থোক্লা স্কুলগী মরী লৈনবা দিটেলশিং মে ৩০ অমসুং অনীশুবা ওইনা জুন ৮ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্লবা ওর্দর থোকখিবদু প্রাইভেট স্কুলশিংনা ফাগী তাহনখ্রে। প্রাইভেট স্কুলশিং লৈঙাক্কী মথক্তা লৈব্রা হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি লুনপাও লুফেংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

শকখঙলবা স্কুল ১২০০গী মনুংদা মঙক কল্লবা স্কুল ৮০০ হেনবনা থৌশারুবা তৌদনা লৈথোকপা অসি মীয়ামগী নীংবা কায়নিংঙাই ওই। স্কুলশিং অসিগী মথক্তা লৈঙাক্না চপ চাবা থবক লৌখৎফম থোকই। স্কুলশিং অসি নৌনা রেকগনিসন তৌহন্নবা খোঙথাং লৌখৎপীয়ু। স্কুলশিংনা অকুপ্পা কয়া মীয়াম অমসুং লৈঙাক্কী মফমদা থম্বা ঙমদ্রিবসি করিগীনো। লিশাং-শিংনা স্কুল এদমিসন অমদি ফি চাউনা লৌদুনা লাক্লগা ওজাশিং অমসুং ষ্টাফশিংগী তোলোপনা হৈক্রু মনাদা য়োম্লে হায়বদু মীয়াম্না খঙখিগনি হায়না কিবদগীরা। ফিশিং অদুগা মহৈরোয়শিংদা ফংহল্লিবা খুদোংচাবশিং অদুগা য়াম্না চান্নদ্রে হায়না খনব্রা।

মহৈরোয়শিংবু কম্মোদিটি ওইনা উবীগনু। মহৈ তম্ফমশঙশিংবু মেন্যুফেকচরিং য়ুনিট ওইনা ওন্থোকপীগনু। চৎলিবা সেসন অসিদগী স্কুলশিংনা লৌরিবা এদমিসন ফি অমদি অতৈ ফি খুদিংমক মচা খায়না উৎকদবনি। লোকদাউনগী মতম অসিদা ফি লৌগনু হায়না লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙদুনা ওর্দর থোকখিবা য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওই। ওজাশিং অমদি ষ্টাফশিংগী থা ৪গী তোলোপ পীগদৌরিবা অসি অপেনবা পোকই। চৎলিবা সেসন অসিদগী মণিপুর প্রাইভেট স্কুল এক্ট অমদি হোষ্টেল রেগ্যুলেসন এক্ট চৎনহন্দুনা পরম চুম্না স্কুলশিং অসি হাংহনবীয়ু হায়রি।

যোগ থাবুম থৌরম

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্ট হব ককচিংনা ৱিজার্দ বোর্দিং, ককচিং মখালৌ অমদি ঐচ কৈনাহল মেমোরিএল ইংলিস স্কুল, লাংমৈদোংগা খুৎশম্নদুনা মে ২৩দগী চত্থরকপা যোগ থাবুম পালন থৌরম ফুনাল শম্মুম চান্দেল দিষ্ট্রিক্তা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। নেসনল যোগ প্লেয়র দিনিয়র নাওরেমনা যোগ দেমোন্সত্রেসন উৎপগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অখঙ-অহৈ কয়ানা যোগগী মরমদা ৱা ঙাংখি। ঐচ কৈনাহল মেমোরিএল স্কুলগী মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংসু শরুক য়াখি। মহৈরোয় কয়াদসু মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি হায়রি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা থিংলে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : হৈরোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লাংমৈথেৎ এরিয়াদা ময়াই কাবা পোৎলমশিং লম্বীগী শরুকশিংদা চাবা ঙসিদগী থিংলে হায়না লাংমৈথেৎ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খুঙ্গং অসিদগী থংনবা খুন কয়াসু ফাওনরিবা লম্বী অসিদা নহা কয়া অতোপ্পা মফমদগী লাক্লগা ফমজিন্দুনা য়ু থকপনচিংবা চত্থবা য়াওরিবসি তোকপীয়ু। নুপীমচা অমসুং নুপামচাশিং য়েংবদা নুংঙাইরোইদবা থবক তৌবসু লেপ্পীয়ু। মমাঙদা শানৈ-য়ুনৈরম্বগী ফাবা কয়াসু য়াওখ্রে। কোভিদ-১৯গী খুদোংচাবা লৌরগা মীয়াম্না তোয়না চৎতবা মফমশিং অসিদা ফৎতবা থবক তৌবীগনু। লম্মাংশিংদা নহা কয়ানা পুনশিন্নরগা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাশিনবা অসিনা লম্বীসিদা ফাওদুনা চৎলিবা নুপী-অঙাংশিংদা অকিবা ফাওহল্লি। মফম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চারম্বা থেংনরবদি পুলিসকী মতেং লৌরগা মীৎয়েং চঙগনি।

খুঙ্গং অসিগী অকোয়বদা লৈবা খুনশিংগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনসু মতেং পাংবীয়ু। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা খুন্নাইদা পীরক্কদবা অকায়বা কয়াদগী কন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লমশাং কৈথেলদগী গঞ্জা অমদি য়ুঙৌ ফাগৎলবা মতুংদা মাঙহনখ্রে : কাদা

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ১৯গী অয়ুক পুং ৮ তাবদা লমশাং বজারদা কাদা লমশাং য়ুনিট অমসুং নুপী খুন্নাই লমশাং কৈথেল অপূনবা লূপকী থৌমীশিংনা পুন্না চত্থিবা দ্রাইভতা মীওই অমদগী য়ুঙৌ লিটর ২০ অমসুং গঞ্জা কেজি ৩ ফাগৎতুনা মাঙহনখ্রে।

কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দ্রাইভ অদুদা মীওই অমদগী পোৎলমশিং অদু ফাগৎখি। ফাগৎলবা য়ুঙৌ অমদি গঞ্জা অদু মফম অদুমক্তদা মীয়াম মমাঙদা হৈদোক্তুনা অমসুং মৈ থাদুনা মাঙহনখি। ফাগৎলবা মীওই অদু মরী লৈনবা লমশাং পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখি। খুন্নাইদা অচৌবা শীংনবা অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোক্তুনা মীয়াম অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা মশাগী শেন্দোং খরগী খল্লগা য়ু অমদি ময়াই কাবা দ্রগ মখল কয়া লল্লোলিবা মীওইশিং অসি কাদানা মীয়ামগী অমদি খুন্নাই অসিগী য়েক্লবনি হায়না লৌই। মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

সী এম ঐচ টি, লেবর কার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : কুম্বী এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তাংজেং খুঙ্গংগী য়ুমথোঙ ৩০ হেনবদা সোসল এক্টিভিষ্ট সঞ্জয় অহন্থেমনা মণিপুর লৈঙাক্না পীবা হকশেলগী তেংবাংগী কার্দ অমদি শিনমীশিংগী লেবর দিপার্টমেন্টকী মখাদা পীবা লেবর কার্দশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সোসল এক্টিভিষ্ট সঞ্জয় অহন্থেমনা হায়খিবদা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ঙসিদি চীং-তম থোং মান্নবা চাউখৎপা পুরক্লবা মায়কৈদা চঙশিল্লক্লি। চীংমী-তম্মী অনীগী মচিন-মনাও ওইবগী নুংশিলিপুন অমুক হন্না চেৎনা পুনশিন্দুনা ঐখোয় পুম্নমক অমত্তা ওইনা তংদু-লৈতানা হিংবা ঙম্লে। মণিপুর চাউখৎ মায়কৈগী অনৌবা মায়কৈদা চঙশিনবা ঙম্লে। ঙসি য়েন্থোক্লিবা সী এম ঐচ টি কার্দ অসি হান্না লৈরম্বা নত্তে। লৈঙাক অসি লাকপা মতমদা মীয়ামদা কান্নবা ফংহন্নবা পায়খৎলকপা অমনি। লেবররশিংগী ওইনসু খুদোংচাবা কয়া ফংবা য়ারবা লেবর কার্দসু য়েন্থোকপনি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎকী লোকদাউন লৈখিবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। হোৎনবা য়াবা হোৎনদুনা মীয়ামগী ফংগদবা খুদোংচাবশিং পীনবা লেপ্তুনা হোৎনরি। নুপীশিং অমদি চহী নৌরিবা নহাশিংনা ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সতা মরম খঙনা শরুক য়াগদবনি। লমদমসিগী অৱাৎ-অপা, লম্বী-থোং, থক্লবা অফবা ঈশিং পীবা ঙম্নবা হোৎনবা চঙই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা ঙসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা পার্টি অসিগী ওফিসতা ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি লৈখিদবগী ৬৭লকশুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিনা তৌরম্বা থবক কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এক্স-এম এল এ, এম ভোরোতসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তনা শীন্দুনা ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি লৈখিদবগী কুমওন থৌরম কংলাতোংবী মন্দির কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি এন নিম্বস, দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট পি ঐচ ফোনি, ট্রেজরর রোবিন ব্লেকি, প্রোটোকোল ওফিসর এল বিরজিৎ, কংলাতোংবী জি পিগী প্রধান মিনা, আর বি চপাগেন, মণিপুর গোর্খা ৱেলফ্যের য়ুনিয়ন, এল বি অধিকারি, প্রসিদেন্ট গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি বি জে পিগী ৱার্কর কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী হৌরকপদা তীনখিবা মীয়াম্না ডা. শ্যাম প্রসাদ মুখর্জিগী শক্তমদা লৈ-শু কৎখি। ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিবু ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৪।০৬।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা, অয়ুক পুং ১০.১৫ ফাওবা ইঙেলগী ৩নি পানগনি, মতুংদি ৪নি পাল্লনি।

মেষ : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াদবা অমদি ফিংবনা মাঙজবা লৈ। নচা-ননাইগী লম্দা পেঞ্জবা, মীংচৎ ফংবা, য়েক্লববু ঙম্বদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : ৱাঙাঙ হৈত্রদি মী খৎননি অমদি পোরম য়াৎপা হৈবা মীগী ৱা তাবা ফৈ। লাইবক ফবনা নীংবা মপা চাবা অমদি ওইজবা ফংবদি লৈগনি। লৌশিং তানশিনবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মিথুন : মরুপ লোইনবা হৈয়ু অমদি অখঙ-অহৈগী পাউতাক লৌরগা থৌ পাংউ-নত্রবদি য়েৎনবা অমদি অফা অপুন্নবা লৈগনি। য়েক্লবা পাঙ্গল্লি, অদুনা ৱাজাউ ঙাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : হরাওবা অমদি মীচং য়াম্না লৈবা নুমিৎনি। নোল্লুকপা অমদি মীতোপ থাজদবনা মাঙগদবা কয়াদগী কঞ্জবা ঙমগনি। মী লোয়নবনা কান্নবা হেনগনি, শেন্দোং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : মীনা লাকচবা ঙমদবা অমদি অরুবা ৱারেপ নাইতোম লৌবা য়াবা নুমিৎনি। হনবা লৈতনা মাঙলোমদা চংশিনবনা শেল-থুমগী লম্দা হেন্না চাউনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাঙবদি রাশি য়াওগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : লাইবক ফগনি, শেল-থুমগী লম্দনা হেন্না মায় পাক্কনি অমদি অনৌবা অফবা থৌরম নিংথিনা খন্থরগা পাংহৌবা য়াম্না চাউনা তুংদা কান্নগনি। খাংবদি কনখো।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : থাজদনা নক্লবনা অচেংবা য়েংবা লৈবনা অরোন অথুপ ঙাঙথোক্কনু অমদি অখঙ-অহৈ শাগনু। লল্লোন ইতিক্কী লম্দদি য়াম্না কান্নবা নুমিৎনি। মীয়াম্নসু চানবী।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

বৃশ্চিক : ৱাখল মওল মওল খনবা, অঙম্বগা মুক্লবা য়াবা অমদি নাপলনা মাঙ তাকহনবা লৈগনি। তঙাইফদনা নোল্লুক্না চৎপা অমদি মীয়ামগী য়াকা য়েংনা চৎপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্নিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু : লাইবক ফবা ৱাৎলি অদুনা য়াকা য়েংনা থৌ পাংবা ফৈ। য়ারগদি অনৌবা থৌরম পাংগনু অমদি মরুপ-মপাং লোয়নবা ফগনি। ৱাঙাঙ চেকশিনন্দ্রদি চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্নিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মকর : লাইবক থোইনা ফবা অমদি শেন্দোং চাউনা ফংজবা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি। অদুবু নঙগী ওইবা মীশিংনা ৱারৌবা অমদি খুরৌ থাংদনবা থিজিনবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

কুম্বা : মায় পাক্কনি, মীচংসু হেনগৎকনি অমদি মীয়াম্না য়াম্না থাগৎপিগনি। পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা খুদক্তা নাইতোম ৱারেপ লৌবদি তুংদা অপঙ তাগনি। হুদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : অনম তানবনা মরুপ-মপাং কাইননি অমদি মীকোক থোংবা ৱাগনি। অঙম্বনা খোইরাং-খোইশাওহনবা অমদি লন মাঙহনবা য়াবা লৈ। মীয়ামগা লোয়নবদি ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।